# কুমজা ১৯৮৬ তা শিল্লোংদা পাঙথোকখিবা ২১ শুবা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস টি টি টুর্নামেন্টতা ঐহাক্লা কোচ ওইরগা টিম পুজখি



লাইশ্রম ব্রোজেন্দ্রো
*টি টি কোচ, সাই, এস টি সি অসাম*

*(হান্নগী মখা)*

কোচ অমা ওইনা, ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্টতসু অনীরক মণিপুর টিম পুদুনা চৎচরকখি। মতম অমদদি মণিপুরদা সিভিল সর্ভিসেসকী টুর্নামেন্টসি য়াম্না লুম্না লৌনরম্মী। স্পোর্টস পামজবা শান্নবগা মরী লৈননা মণিপুর গভর্নমেন্টকী তোঙান-তোঙানা দিপার্টমেন্ট কয়াদা থবক তৌদুনা লৈবা মীওইশিং সিভিল সর্ভিসেস টুর্নামেন্ট য়াওননবা হায়দুনা টিমগী শেম-শাবগসি য়াম্না চেকশিন্না তৌনরম্মী। হোক্কিগী, টেবল-টেন্নিসকী, ফুটবোলগী, বেদমীন্টনগী অফবা টিম শেম্নবগীদমক, শান্নবদা, মীথোই-মীহেনবা প্লেয়রশিং থবক হাপ্পবা থওইনা থিনরম্বা মতমসু লৈখি। ওল ইন্দিয়াগী সিভিল সর্ভিসেস টুর্নামেন্টতা ৱিন্নরগা ওইরকপসি মীয়ামদগী ইকাই খুম্নবসু ফংলম্মী।

মণিপুর ষ্টেটকী ওইনসু সিভিল সর্ভিসেস টুর্নামেন্টসি য়াম্না চাওনা পাঙথোক্লরম্মী। টুর্নামেন্টসি তৌবগী কান্নবনা, চহীগী কায়দনা তৌরম্বনা, মশা মশানা শান্নরিবা স্পোর্টস ইভেন্টশিংদুদা প্রেকটিশ লেপ্পুনা তৌনরম্মী। শান্নবগী মতম নকশিল্লকপা, টুর্নামেন্ট ময়াদদি মাগী মাগী দিপার্টমেন্টনা থোইননবা হায়দুনা য়াম্না কন্নসু হোৎনরম্মী। দিপার্টমেন্টশিংতগী ওইবা স্পোর্টস কম্পিটিশন অদুমদি তশেংনা ফব্রা হায়না খল্লি। শান্ন-খোৎনবদগী চঙলকপা, স্পোর্টস পামজবা কাঙবুদদি মদুগুম্বা টুর্নামেন্টতুনা মশা-মঔফনা তুং কোইনা লৈহনবদসু চাউনা মতেং পাংবা ঙমগনি।

ঐহাক্লা কোচ ওইজরগা কুমজা ১৯৮৬ তা শিল্লোংদা তৌখিবা '২১ শুবা ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস টেবল টেন্নিশ টুর্নামেন্ট'তা ষ্টেটকী টিম পুরগা চৎচরকখি। মদুগী খোঙচৎতুনা, সেক্রেটরিয়েটতা

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## টেবল টেনিসতা মীৎয়েং অমা

থবক তৌবিরম্বা তামো রাজেন্না টিম মেনেজর ওইনা লিদ তৌবিখি। নুপীগী ওইনা মতমদুদা টিম শাখিবসি চিঙামখাদগী তা-ওলেন (এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী এদল্ট এদ্যুকেসন্দা লৈবীরম্বা) তা-বীরেন (এস ও, ওইবীরম্বনি, তখেল লৈকাইদগীনি), অদুগা নন্দকিশ্বর (ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টতা লৈরম্বনি), হৌজিক্তি চীফ এঞ্জিনিয়র ওইরে হায়না তাই... অসিনচংবনি। নুপীগীদনা ইচে ইবেমপীশক, ডা. আর কেঊশারানী, প্রেমিলা মখোয়সিনি।



শিল্লোংদা চৎখিবা 'ওল ইন্দিয়া সিভিল সর্ভিসেস টুর্নামেন্ট'সিদা ইচে ইবেমপীশকসি চেম্পিয়নসু লৌরকখি। হায়রিবা টুর্নামেন্টসিগী মমাংদা, ভোপালদা তৌখি '২০ শুবা সিভিল সর্ভিসেস টুর্নামেন্ট'সিদসু ইচেইবেমপীশকসি সেমি ফাইনেলদা লৈহৌবনি। মহাক্না সেমি ফাইনেলদা থেংনরিবা প্লেয়রসি মশাগী ওইনা খরবুদি হৈ। অদুবু, মহাক্লা পায়রিবা বেটতু ময়াম্না পায়রিবসিগা মান্নদবা কম্পিটিশন্দা পায়দুনা শান্নবা যাদবা অমা শীজিন্নরমখি। বেটতুগী মতাংদা ঐখোয়গী মায়কৈদগী কমপ্লেন অমদি থাঙ্গৎখি। অদুম ওইনমক প্লেয়রদুগী অতোপ্পা শান্নবা যাবা বেট য়াওরক্লে হন্দক্কীসিমদি যাহল্লসি হায়রগা শান্নহনখি। য়াম্না কন্না য়েৎনবা খোৎনা অদুগুম্বসু মতমদুদদি কয়া লৈনদে। মথংগী টুর্নামেন্টতদি ঐখোয়না লৌননবা হোৎনরসি হায়নরগা হল্লকখি। অদুনা, শিল্লোংদা শান্নবসিদদি মায় পাক্লবা হোৎনসি হায়দুনা শিঙনবা অমা য়াওনা শান্নখি। ইচে হন্দক্তি লৌদবা য়াদবনিকো, হেক লৈজবী হৌনা পুথোকপিরো হায়দুনা ঐখোয় মায়মসিনা পুল্লাং লাংদুনা ইনকরেজ তৌবসিদা ইচে ইবেমপীশকসি য়াম্না চেকশিন্না শান্নরকখি। লোয়ননা চেম্পিয়নসু লৌরকখি। অদুম হায়না টিম পুদুনা চৎচবদা চেম্পিয়ন ট্রোফিগা লৌরকপসিদি হায়নিংঙাই লৈতনা নুংঙাই। ঐখোয় ময়াম চৎমিন্নবদা, ইচে ইবেমপীশক্না ৱিন্নর ওইরকখিবদু ঐখোয় পুম্নমক্কী ওইনসু মায় পাকপনি হায়না খঞ্জখি। হায়রিবা মতমদুদা, শান্নখিবা আর কে ঊশারানী, প্রেমিলা মখোয়সু নুপীদদি অফবা প্লেয়র ঙাক্তনি। মদুগী চৎপদুদা ঊশারানীসি মেলেরিয়ানা নারকপ্রা কৈনোমা তৌখিবনি। নারকপদগী ফজনা শান্নবা ঙমখিদবনি। জর্নি হায়বসিদদি তম্বা ঙমদবা খরসু অদুম থেংনৈ। শান্নবগী চৎপা ওইরবসু অনা-অয়েক য়াওরক্ল বদি অদুগুম্বা খরসু তঙাইফদনা মায়োক্নৈ। অদুগা, য়াম্না নুংঙাইবা খোঙচৎনা, মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা চৎলগা স্পোর্টস টেলেন্ট হন্ট তৌবসিনি। সাইগী টেলেন্ট হন্ট তৌবা ওইনা, নাগালেন্দ, অসাম, মেঘালয়া, শিল্লোং, সিক্কিমনচিংবদসু য়াম্না চৎলকখি। সাইগী ওইনা লৈবা, স্পোর্টস ইভেন্টশিংগী প্লেয়র থিবসিদি, ঐখোয় টিম শেম্ল-শেম্লগা চৎলকখি। স্পোর্টসকী তোঙানবা মগুন চেনবা অঙাংশিং অসিদি চাংয়েং মচা অম-অনী তৌদুনা য়েংবদা ফন হেক্তা চোঙথোরকই। লোৎপা য়াদে। থাজদবা মফমশিংদা অফ-অফবা অঙাং লৈরম্বসিসু য়াম্না নুংঙাই। অদুগুম্বা খঙ্গৎলবা অঙাংশিং অদু, মশাগা চান্নগদবা মশান্না তাকপীবগা লোয়ননা লাইরিক লাইশু তমহন্দুনা তুংগী অফবা প্লেয়র ওইনগদৌরিবনি। করম করম্বা স্পোর্টস ইভেন্টশিংগা চানগদগে হায়বসিদি, তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিংদা কোচকী ট্রেনিং চৎচরুবা ঐখোয়দদি ময়েক লানা হেক্তা চোঙথোরকই। মদুমাইনা থিরগা শেমখিবা অঙাংশিংনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল থাক্তা ইন্দিয়াগী ওইনা মশক থোকপা প্লেয়র ওইরকপসি ঐখোয়দসু য়াম্না নুংঙাইবা অমনি।



-মথং-মথং-

# ইন্দিয়াগী প্রোফেস্নেল বোক্সর ভাইভব যাদবনা দব্লীয়ু বি সি এসিয়া টাইটল ফংখ্রে




ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী)ঃ

থাইলেন্দগী পটায়া সিটিদা পাঙথোকপা ৱর্ল্ড বোক্সি কাউন্সিলগী মখাদা লৈবা এসিয়া ৱেলটরৱেথ চেম্পিয়নশিপকী সিলভর টাইটল অদু ইন্দিয়াগী বোক্সর ভাইভব যাদবনা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী বোক্সর ফাপেক্স সিংমানাসকপু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী প্রোফেস্নেল বোক্সর অমা ওইরিবা ভাইভব যাদবনা ঙরাং নুমিদাং থাইলেন্দগী পটায়াদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং কাউন্সিলগী এসিয়া সিলভর ৱেল্টরৱেথ চেম্পিয়নশিপকী বাউট অদুদা থাইলেন্দগী বোক্সর ফাপেক্স সিংমানাসকবু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী বোক্সর ভাইভব যাদব মমাঙদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বোক্সর অমা ওইখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসকী বোক্সিংগী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা বিকাস কৃষ্ণনগী মরী-মতানি। বিকাস কৃষ্ণনবু বোক্সিংগী লমদা প্রোফেস্নেল বোক্সর অমা ওইদুনা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা বোক্সর কয়ানা এমেচর বোক্সিংগী লমদা মিংচৎ পুরকপা ঙমখ্রবা মতুং প্রোফেস্নেলগী লমদা খোঙ থাংজিনবা ঙমখ্রবা বোক্সরশিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

ঙরাং নুমিদাং থাইলেন্দগী সিটি পটায়দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড বোক্সিং কাউন্সিলগী মীৎয়েং মখাদা এসিয়ান বোক্সিং কাউন্সিলনা মপুং ওইনা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা ৱেল্টরৱেথ দব্লীয়ু বি সি এসিয়া সিলভর টাইটল মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ভাইভব যাদবনা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী ফাপেক্স সিংমানাসকবু মায়থীবা পীরদুগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৮

১) "ঐনা রোজর ফেদররবু মমীং লৈবা কোর্ট অসিদা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীবা পীরে' মসিনা ঐগী পুন্সিদা নীংশিংবা য়াবা থৌদোকশিংগী মনুংদা অমা ওইগনি। নাপী মথক্তা শান্নবা টেনিসতা খ্বাইদগী ফবা শান্নরোয়দি মহাকনি। মহাক ঐনা শান্নরিবা মশান্না অসিদা খ্বাইদগীসু হেন্না চম্পিয়ন ওইরিবনি। ৱাহৈশিং অসি কনানা হায়খিবগে?

২) মহাক্লা হায় 'হৌজিক ঐহাক য়াম্না নুংঙাইনা পোত্থাবা ঙল্লনি'। হৌখিবা চহী ১২দা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিকশিংদা মহাক্লা শরুক য়াবদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমখিদে, লুপাগী মেদলশিংদি ফংখি। মহাক্লা সনাগী মেদল ফংখিবদা ৱাহৈশিং অসি হায়খিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩) অহানবা অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট হোক্কি চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৫৭তা পাঙথোকখিবদা মণিপুরনা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা মফমদা চেম্পিয়নশিপ অদু পাঙথোকখিবগে?

৪) ৱিন্টর গেমস অমদা সনাগী মেদল অহুম ফংবা ঙমখিবী অহানবা নুপী অদু কনানো?

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৯৭কী পাউখুম

১) কুমজা ১৯৭১-৭২দা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী চীফ পেট্রোন (Chief Patron) ওইখিবা অদুগী মমিং পীয়ু। : **D. R. KOHLI (Lt. Governor)**

২) কুমজা ১৯৩০ (1930)গী মতমদা SHEFFIED SHIELD গী টুর্নামেন্টতা Donald Bradmanনা শরুক য়াবদা নোংমগী মেচ ফি (Match Fee) কয়ানো? : **SHILLING 10**

৩) ন্যু জিলেন্দনা ইন্দিয়াদা ক্রিকেট টেষ্ট শান্নবা লাকপদা শান্নরোয়শিং অদুগী মরক্তা স্কুল ওজা মরি, ঙা লল্লোনবা অমা, এদভরটাইজিং মেনেজর অমা, সেলসমেন অনী, উহৈ-ৱাহৈ থাদুনা হৈকোল শেম্বা নুপা অমা য়াওরকখি। করম্বা চহীদা টিম অদু ইন্দিয়াদা লাকখিবগে? : **1969**

৪) অঙাং লায়েংবগী অফাওবা ডাক্তর অমা ওইরকখিবা ওলিম্পিক চেম্পিয়ন অমনা কুমজা ১৯৪৫দা অঙাংশিংবু চেকশিন থৌরাং লৌনবা লাইরিক অমা ইদুনা কোপি মিল্লিয়ন ২৫ হেন্না য়োনখি। মহাক কনানো? : **BENJAMIN SPOEK**

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?? : **KRISHNA POONIA**

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৭কী পাউখুম ৩ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | |
|---|---|
| ***১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়*** | ***(৩)*** |
| ৩) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক। | (৩) |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -৯৭কী ৱিন্নর**

তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৯৭কী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জুলাই ৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# মমাংগী চেম্পিয়ন ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সর্ভিয়াগী নোবাক জোকোবিস অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী কুদলাগা লম্বা তৌনরগনি



লন্দন, জুলাই ০১ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী অনীশুবা গ্রান স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইরিবা ৱিবল্ডন গ্রানদস্লাম টেনিস টুর্নাামেন্টকী ঙসিদগী হৌখিবা ১৩৩রকশুবা এদিসনগী নুপাগী অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ওইরিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী শান্নরোয় নোবাক জোকোবিসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী দেনিস কুদলাগা লম্বা তৌনরগনি।

ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় নোবাক জোকোবিসনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচ অদুদা জর্মনিগী শান্নরোয় পোল কোলস্ক্রেবরগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ৩দা মায়পাকপা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা জোকোবিসনা ৬-৩দা থোইরবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা কোলস্ক্রেবরগী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না লম্বা তৌরক্তুনা গেম ৫-৫দা লৈখি। অদুবু জোকোবিসনা থংনবা গেম অনী থোইবা ঙমখিবদগী ৭-৫দা অনীশুবা সেট অদু থোইদুনা সেট ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

অহুমশুবা সেট অদুদা জর্মনিগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অহেনবা মশান্নবা পুরকপা ঙমখিদবদগী জোকোবিসনা ৬-৩দা থোইরগা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দদা টুনিসিয়াগী এম জাজিরিবু ৬-৪, ৬-১, ৬-৩দা থোইরমবা য়ু এস এগী দেনিস কুদলাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী মরীশুবা সিদেদ শান্নরোয় সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসন্না মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা ফ্রান্সকী পোল হরবর্টপু ৬-৩, ৬-৪, ৬-২দা থোইরমদুনা অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী শান্নরোয় ৱাই নিসিয়োকাবু সেট ৩-২দা মায়থীবা পীরম্বা সর্ভিয়াগী জানকো টিপসারেবিসকা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী অহানবা রাউন্দ মায়পাকখিবা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা স্বিজরলেন্দগী ষ্টান ৱারিঙ্কা য়াওরি। মহাক্লা অহানবা রাউন্দদা বেলজিয়মগী আর বেমেলমান্সপু ৬-৩, ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা য়ু এস এগী আর ওপেলকাগা লম্বা তৌনরগনি। ১০শুবা সিদেদ শান্নরোয় রশিয়াগী কে খাচানোবনা অহানবা রাউন্দা সাউথ কোরিয়াগী সু ৱু কোনবু সেট ৩-১দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা স্পেনগী শান্নরোয় ফেলিসিয়ানো লোপেজগা অনীশুবা রাউন্দ লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী কাংলুপ্তা ৭শুবা সিদেদ শান্নরোয় রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্না অহানবা রাউন্দগী মেচতা বেলারসকী অলিয়াকসান্দ্র সাসনোবিসপু ৬-৪, ৭-৫দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা অতোপ্পা বেলারসকী শান্নরোয় এম বুজার্নেস্কুগা লম্বা তৌনরগনি। বুজার্নেস্কুনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা য়ু এস এগী জে পেলুগাবু সেট ২-০দা থোইরমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ ওইরিবী জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিসকোভানা চাইনাগী শান্নরোয় লিন ঝুবু ৬-২, ৭-৬(৭-৪)দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা প্যুর্টো রিকোগী মোনিকা প্যুগকা লম্বা তৌনরগনি। প্যুগনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেচতা স্লোভাকিয়াগী এ কে স্মৈদলোভাবু সেট ২-১দা থোইবা ঙমখি।

য়ুক্রেনগী শান্নরোয় টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় এলিনা স্বিটোলিনানা ওষ্ট্রেলিয়াগী দারিল গভ্রিলোভাবু ৭-৫, ৬-০দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দা জর্মনিগী ফ্রৈদসামবু ৬-৪, ৬-৪দা মায়থীবা পীরম্বী রশিয়াগী এম গাস্পারিনগা লম্বা তৌনরগনি। ইষ্টোনিয়াগী শান্নরোয় এ কোন্টাভেটনা অনীশুবা রাউন্দা বৃটেনগী ঐচ ৱেটসনগা লম্বা তৌনরগনি।

# কম্মনৱেলথ চেছ চেম্পিয়নশিপ্তা কৃষ্ণননা নরায়নবু মায়থীবা পীখ্রে, শান্নরোয় ১৭না মাংজিল থামিন্নরি

ন্যু দিল্লি, জুলাই ০১ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা পাঙথোক্লিবা কম্মনৱেলথ চেছ চেম্পিয়নশিপকী ঙরাং শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেচশিংদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীগী লম্বদা কৃষ্ণননা নরায়নবু মায়থীবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিদা পুন্না শান্নরোয় ১৭না মাংজিল থাদুনা লৈরি।

ঙরাংদগী ন্যু দিল্লিদা হৌখিবা কম্মনৱেলথ চেছ চেম্পিয়নশিপকী অয়ুক অঙনবদা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচশিংদা মকোক থোংবা নুপী শান্নরোয় ৩ ইন্দিয়াগী দিভিয়া দেসমুখ, দানিয়া সচদেব অমসুং বক্তি কুলকরনিনা মখোয় মখোয়গী থাক ৫০০ রোম হন্থদুনা লৈরিবা শান্নরোয়শিংগা লম্বা তৌনবদা মায় পাকপা ঙমদনা দ্রো চৎখিবদগী মখোয়গী খুদোংচাবশিং অদু মাংজখি।

কম্মনৱেলথ লৈবাক কয়াদগী লাকখিবা চেছ শান্নরোয়শিংগী য়াম্না মরু ওইবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা কম্মনৱেলথ চেছ চেম্পিয়নশিপ



অসিগী নুপাগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী ইন্টর্নেসনল মাষ্টর অমা ওইনা শরুক য়ারকখিবা সরাবন কৃষ্ণননা মহাক্কী ওপোনেন্ট নরায়নবু ৪৫ শুবা মুভতা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওইনা ফজবা মায় পাকপা ঙমখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা অমা ওইরি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নারোয় মশাগী চহী ১৪তা ঙাইরিবী দিবিয়া দেসমুখনা মহাক্কী লম্বা মায়থীবা পীদুনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা পুন্না টুর্নামেন্ট অসিগী মাংজিল থাদুনা লৈরি।

কম্মনৱেলথ চেছ চেম্পিনয়শিপ অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইখিবা মমাঙদা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইল লৌবা ঙমখ্রবা এম আর ললিতবাবুনা বোস্বানাগী ওতিহোটসেগা লম্বা তৌনবদা মুভ ৭৩গী মতুংদা মায় পাকপা য়াবগী লম্বেল লৈখিদবদগী মেচ অদু দ্রো চৎখি। অজয় কার্থিকেননা ৫শুবা সিদেদ দিপন চক্রবতিবু ৮৪ মুভতা মায়থীবা পীদুনা অনৌবা শান্নরোয়শিংগী ওইবা লম্বে অমা শেল্লি।

# প্রো লিগ হোক্কি মায় পাকপা ওইখ্রে

লোজেন, জুলাই ০১ (এজেন্সী)ঃ

স্বিজর্লেন্দগী লোজেন সিটিদা ইন্টর্নেসনল হোক্কি ফেদরেসন (এফ আই এচ)গী প্রসিদেন্ট ইন্দিয়া মচা নরিন্দর বত্রনা ফোঙদোকখিবদা এফ আই এচকী মায়কৈদগী প্রো লিগ হোক্কি টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবা অদু মশান্না অসিগী ওইনা চাওনা মায় পাকপা অমনি হায়খ্রে।

এফ আই এচকী এগজিক্যুটিব বোর্দকী মীফম অদুদা চেয়ারমেন ওইখিবা প্রসিদেন্ট নরন্দির বত্রনা ফোঙদোকখিবদা ফেদরেসন অসিগী ওইবা অনৌবা খোঙথাংশিংগী মনুং চন্না প্রো লিগ হোক্কি টুর্নামেন্ট অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকপদা চাওনা মায় পাকপা ঙল্লবা মতুং ইন্না মখা তানা মালেমগী লৈবাক শীনবা থুংনা লিগ অসি পাঙথোকপা য়াবগী খুদোংচাবা অদু লৈরে হায়মখি। থা অসিগী ২৮ অমসুং ২৯দা নেদলের্ন্দসকী অমষ্টরদমদা পাঙথোকখিবা এগজিক্যুটিব বোর্দকী মীফম অদুনা মখা তানা 'প্রো-লিগ টু' পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোইরে হায়খি।

# য়ুম্বু জমায়কা অমসুং য়ু এস এনা পানামা অমদি কুরাকো থোইদুনা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

ফিলাদেলফিয়া, জুলাই ০১ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এ, জমায়কা অমসুং কোষ্টা রিকানা পুন্না য়ুম্বু ওইমিন্নদুনা জুন ১৫দগী হৌরকখিবা কোনকাকেপ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু লৈবাক ওইখিব জমাইকা অমসুং য়ু এস এনা পানামা অমদি কুরাকোবু মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এস এগী পেনস্লিভানিয়া ষ্টেটকী য়াম্না মরু ওইবা সিটি অমা ওইরিবা ফিলাদেলফিয়াগী লিমকন ফাইনেন্সিএল ফিল্ডদা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা কোকা কেফ কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা য়ুম্বু ওইমিন্নরিবা জমাইকানা পানাবু পাঞ্জল ১-০দা অদুগা য়ু এস



এনা কুরাকোবু চপ মান্নবা স্কোর ১-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা টিম অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

কোনকা কেফ গোল্ড কপকী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদু জমাইকা অমসুং পানামা লম্বা তৌনখি। মদুদা মেচকী অপীবা অহানবা হাফকী মিনট ৪৫ অদুদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফকী পুংখাই অমরোম য়ৌশিল্লকপদা জমাইকাগী মায়কৈদগী দরেন মেটোক্সনা পেনাল্টি অমা ফংখিবগী খুদোংচাবা লৌদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি। মেচ অদুগী অনীশুবা হাফতা অহেনবা পাঞ্জল লৈখিদবদগী জমাইকা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

য়ুম্বু য়ু এস এ অমসুং কুরাকোগী ক্বার্টর ফাইনেল মেচ অদুগী ২৫ শুবা মিনটতা য়ুম্বু লৈবাক অদুগী শান্নরোয় ৱেষ্টোন মেকিনিনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল ওইখিবদগী কোনকাকেফ গোল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেলদা জমাইকা অমসুং য়ু এস এ লোয়ননা হায়তি অমসুং মেক্সিকো থেংনরগনি।